

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*চিকাগোদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোই সৌরভ ঘোসাল*

*দুবাই দ্যুতি ফ্রি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টেফানোস সিটসিপাস*

## ইন্দিয়াগী সৌরভ চৌধারি অমদি মনু ভাকরনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিমদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্ভু ওইদুনা চখরকপা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারি অমদি মনু ভাকরনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে। আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল ৩ লৌবা ঙমখি।

আই এস এস এফ সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারি অমদি মনু ভাকরনা পোইন্ট ৪৮৩.৫ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।



*গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারি (ওই) অমদি মনা ভাকর*

চৌধারি অমদি ভাকরনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা স্কোর ৭৭৮ ফংদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্নরগা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙম্লকপনি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা চাইনাগী পেয়র রানক্সিন জিয়াং অমদি বোৱেন ঝাংনা পোইন্ট ৪৭৭.৭ দা ফংবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডলনা কোরিয়াগী পেয়র মিনজিং কিম দেহুন পার্কনা পোইন্ট ৪১৮.৮ দা লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র রবি কুমার অমদি অঞ্জুম মোদগিল ৭শুবা পোজিসন তাহৌখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র অপুর্ভি চান্দেলা অমদি দিপক কুমারনা ২৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র হিনা সিধু অমদি অভিসেক ভর্ম ক্বালিফিকেসন রাউন্দ লান্থোকপা ঙমদনা লৈহৌখি।

নীংশিংবা য়াই, মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম অসিদা গোল্ড মেডল লৌখিবা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়নননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

আই এস এস এফ সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়ম গোল্ড মেডল ৩ / ৩ ফংমিন্নরগা অহানবা পোজিসন তামিন্নখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরভ চৌধারিখক্তমক কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক কোটা ফংবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী টিম ০–১ দা মায়থিখ্রে

*অলানিয়া, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*

টর্কিগী সিটি অলানিয়াদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা টর্কিস ৱুমেন'স কপ ফুটবোলগী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম উজবেকিষ্টানগী মখূত্তা পাঞ্জল ০–১ দা মায়থিখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী উজবেকিষ্টানগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। ৪শুবা মিনটতা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা বুরহারনোভা মালিকানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৭ গী এপ্রিল থাদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অমসুং উজবেকিষ্টান লম্বা তৌনখিবদা উজবেকিষ্টাননা পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু উজবেকিষ্টানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়া ০–১ দা শোত্থদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৬ ৱাংলিঙৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অঞ্জু তামাংনা পেনাল্টি বোক্স মনুংদগী কাওশিনখিবা সোট অমা পাঞ্জল ওইহৌদবদগী ইন্দিয়া মেটচ অদু ০–১ দা মায়থিহৌখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা টি–২০ সেরিজ ২–০ দা লৌখ্রে

*বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াদা লাক্লুনা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–০ দা লৌখ্রে।



*ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী সেঞ্চুরি লৌখিবা গ্লেন মেক্সৱেল*

ঙসিগী মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ আওট ওইরগা রন ১৯০ লৌবা ঙমখি।

টিম অসিগী ওপনর সিখর ধৱন রন ১৪ লৌরল্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা অতোপ্পা ওপনর লোকেস রাহুলগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেম্বা ঙমখি।

ওপনর লোকেস রাহুল বোল ২৬ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌরল্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর রন ৭০ দা লৈখি।

৫শুবা বেটসমেন এম এস ধোনিসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ৪০ হাপচিল্লমখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা বোল ৩৮ মায়োক্লবদা সিক্স ৬ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৭২ লৌরমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ১৯১ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা গ্লেন মেক্সৱেলনা বোল ৫৫ মায়োক্লবদা সিক্স ৯ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১১৩ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ওপনর দি এরোই সোর্টনা বোল ২৮ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৪০ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

## ঘোসাল ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*চিকাগো, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*

য়ুএসএগী সিটি চিকাগোদা চখরিবা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী টুর অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই সৌরভ ঘোসাল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ১১ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরভ ঘোসালনা ৱেলসকী শান্নরোই জেইল মাকিন্নবু গেম ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৱেলসকী শান্নরোই জোইল মাকিন্ননা ইন্দিয়াগী সৌরভ ঘোসালবু ১৩–১১ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঘোসালনা কন্না হোৎনরক্লুনা গেম অহুম থংননা ১১–৭, ১১–৭, ১৪–১২ দা থোইদুনা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## গ্রিসকী সিটসিপাস ক্বার্টর য়ৌখ্রে

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*

য়ু এ ইগী কোনুং দুবাইদা চখরিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট দুবাই দ্যুতি ফ্রি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্লুনা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা গ্রিসকী সিটসিপাসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা বেলারসকী ই জেরাসিমোভপু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

গ্রিসকী সিটসিপাসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কৈ নিসিকোরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৭–৫, ৫–৭, ৬–২ দা থোইরম্বা পোলেন্দগী হুরকাজগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিল্লিনা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৭(২–৭), ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরল্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


## Vehicle Stolen

My KTM Duke-200 black & orange colour bearing registration No. MN01AE-8590 Chasis No. MD2JUCYDOJ024018, Engine No. 890642225 under locked and key was found stolen by some unknown person from Bamon Leikai Guruaribam near Thumbuthong which worths about Rs. 1,63,000/- no 26/2/2019 at around 5:30 pm. My Smart Card was kept inside the tool box.

If anybody come across the above please contact the nearest police station or the undersigned.

Sd/-
Aribam Bhiukumar
Brahmapur Thangjam Leirak
# 9774991545


SL/4485/28


### ক্রোসৱার্দ ৮৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | P | E | C | | Z | I | N | C | | B | I | R | T | H |
| A | L | T | O | | E | L | I | A | | L | E | O | R | A |
| Y | O | U | R | F | E | E | T | S | T | O | O | B | I | G |
| S | W | I | N | E | | | | B | A | S | H | E | S | |
| | | | E | N | E | | M | A | R | S | | | | |
| B | R | O | A | D | W | A | Y | H | O | O | F | E | R | S |
| U | A | W | | S | E | A | S | | | M | O | R | E | L |
| I | D | I | O | | R | A | T | I | O | | P | A | P | A |
| L | I | N | E | N | | | I | N | R | E | | T | R | I |
| D | O | G | D | A | Y | A | F | T | E | R | N | O | O | N |
| | | | | R | E | L | Y | | L | E | I | | | |
| | C | R | A | W | L | S | | | | C | A | P | R | I |
| S | O | U | T | H | P | A | W | P | I | T | C | H | E | R |
| H | O | S | E | A | | C | A | R | T | | I | O | N | A |
| E | T | H | E | L | | E | R | O | S | | N | O | O | N |


## MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED

*Keishampat Junction, Imphal-795001*



Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No.1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal-795001, Manipur, INDIA
Fax: +91385 2450702
Tele: +91385 2450050

No. 4/26/SFT/LEI-MAO/RLY/2019/MSPCL(PURCH)/4762-69 Imphal, the 26th February, 2019

**NOTICE INVITING TENDER**

(e-procurement)

The Managing Director, Manipur State Power Company Ltd. (MSPCL) invites sealed bids online submission from eligible firms/Company for the following works on turn-key basis.

| Specification No. | Particulars | Estimated Cost | Cost of Tender Paper | Earnest Money Deposit | Last Date of online Submission of Bid through electronically mode | Due date of Opening of Techno-Commercial Bid | Due date of Opening of Financial Bid |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 7 | 8 | 9 |
| 4/16/19 | Diversion of 132Kv S/C Leimatak-Mao Transmission line (MSPCL) from existing tower No. 83 to 101 to avoid infringement with proposed Imphal Railway station under Jiribam-Imphal new Railway line on turnkey basis | Rs. 7.48 Cr | Rs. 30,000/- | Rs.5.00 Lakhs | 23.03.2019 upto 4.30 pm | 26.03.2019 at 2.00pm | 27.03.2019 2.00 pm |

Bidding Document cab be downloaded from the tender portal www.manipurtenders.gov.in. All correspondence/communication shall be made to: Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal - 795001, Manipur, India, Telephone No. 0385 245 0050, Fax No. 0385 2450702. For further details including addendum/corrigendum/change in bidding program, if any, please visit tender portal www.manipurtenders.gov.in regularly.

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPDCL

SL/BILL(DIPR)/28



## A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

***SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI***
***NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST***

**Treatments**

- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

**Instruments**

- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

*Please Contact:*
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
*Email- asunshine489@gmail.com*

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019



## MANIPUR STATE MEDICINAL PLANTS BOARD

DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHEL, IMPHAL WEST, MANIPUR – 795004
*Regd. No. 384/M/SR/20009 of 07-07-20009*
*Under Manipur Societies Registration Act, 1989*
Tele/Fax: 0385-2416037 e-mail: manipursmpb@gmail.com
website: www.smpbmanipur.org

**NOTIFICATION**

Imphal, the 27th February, 2019

No. MSMPB/HG(KANGLA)/2018-19: The walk in interview for daily wages engagement of 02(two) Mails for utilisation in State Herbal Garden Kangla, under the state Medicinal Plant Board, Directorate of AYUSH, Lamphelpat, will be held on 05th March 2019 at Directorate of AYUSH at 10 AM.

Details information can be had from the office Notice Board.

Sd/-
Dr. A. Guneshwor Sharma
Director (AYUSH) &
Member Secretary, MSMPB

SL/BILL(U)/28



## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫, ২০১৯

### য়ুমদা য়োকপা শা–উচেক মশীং থিবদা মতেং পাঙবীয়ু

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এগ্রিকলচর অমসুং ফামর্স ৱেলফিয়র মিনিষ্ট্রিগী এনিমেল হজবেন্দরি, দাইরিং অমসুং ফিসরি দিপার্টমেন্টকী থৌশিল মখাদা ভেটিরিনরি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা নোদেল এজেন্সি ওইদুনা চহী মঙা খুদিংগী পাঙথোকপা ২০লকশুবা য়ুমদা য়োকপা শা–উচেক লোয়নননা মখোয় য়োকপদা চঙবা খুজু–খূৎলাই মশীং থিবগী থবক হৌখিবা ওক্টোবর ১০, ২০১৮ দগী হৌনা মণিপুরদা চত্থদুনা লাক্লি। অসুম্না উচেক–মশীং থিবগী থবক চহী অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবা চত্থগদৌবনি। অসুম্না শা–উচেক মশীং থিবদগী ফংবা দাতা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা শা–উচেক লোইরিবা লৌমীশিংদা তুং কোইনা কান্নবা পীগদৌবা থৌশিল য়াৎকদৌরিবনি।

অসিগুম্বা য়ুমদা য়োকপা শা–উচেক মশীং থিবগী থবক অসিদা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মীয়াম্না অচুম্বা অদুগা মরিক চুম্বা পাও মশীং থিবা লাক্লিবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংদা মতেং পাঙবিনবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবাঃ
ঐচ চাওবা সিংহ, দাইরেক্টর
ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি,
গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর

SL/Vety A.H./26th Feb to 2nd March



## PALACE DENTAL CARE

***Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple Imphal East***

Newly Open

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

**Treatments available:-**

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

*For more details*
*Please Contact:*
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19